

# সনালৈবাক স্পোর্ট





*চহি ১১২ কান্নরুরবা মতুংদা গোল্ফ মশান্ননা ওলিম্পিক্স গেমদা হল্লকপদা মদলগী আশা তৌনরিবা এসিয়াগী নম্বর ৱান ওইরিবা অনিরবান লাহিরি*

*রিও ওলিম্পিক্সকী মিঃ ৫০ গী পিষ্টল ক্বালফিকেসন্দা ইন্দিয়াগী সুট্টর জিতু রাই খুম্মাং চাওশিল্লক্লি*

**শন্নপ্পা পাউ**

## নেনা সিংহ কাং টুর্নামেন্ট

জিরিবাম আগষ্ট ১০ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা কালিমাই মান দবত থা অসিগী ৩ দগী কাংখুৎ ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা কে নেনা সিংহ মেমোরিয়েল কাং টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস এ ৱাই সি এ টিম্না এল ই সি বাবুপরা পাঞ্জল ১৫–৭ তা মায়থিবা পীখ্রে।

## ৱেষ্টকী সুপর দিভিজন লীগ

ইম্ফাল আগষ্ট ১০ ঃ

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১২ দগী এস কে ৱাই সি গ্রাউন্দ অৱাং সেকমাইদা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা ১৭ শুবা এস বিরেন্দ্র সিংহ মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ হৌরগনি হায়না ফুটবোল লীগ অসিগী কনভেন্নর এম রতনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইংন্না খঙহল্লক্লি।

# ২৬ শুবা ওল মণিপুর সুটিং কম্পিটিসন

## দিষ্ট্রিক্ট অনীগী সুটর ১১২ না শরুক য়ারি

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ ঃ

মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা সুটিং রেঞ্জতা থা অসিগী ১৬ ফাওবা পাংথোক্কদৌরিবা ২৬ শুবা ওল মণিপুর সুটিং কম্পিটিসন ২০১৬ দিষ্ট্রিক্ট অনীগী সুটর ১১২ না শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়ারিবা দিষ্ট্রিক্ট অনী অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসন অমদি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসননি।

সুটর ১১২ না শরুক য়ারিবা অসিগী মনুংদা নুপী সুটর ২৭ য়াওরি।

মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসনগী মেটচ বুক্তা চনগদবা য়াওনা ইভেন্ট ১০০ পাংথোক্কনি।

রোষ্টর তৌবা মেটচ অমদি ইভেন্টনা ৪৯ ওইগনি। পাংথোক্কদৌরিবা কেতাগোরিগী মেটচশিং অদুদি এন আর নেসনেল রুলগী মেটচ অমদি ইভেন্ট, ইন্টরনেসনেল সুটিং স্পোর্টস



ফেদরেসনগী মিটর ১০ গী ইয়র রাইফলদা মেটচ অমদি ইভেন্ট ৪৯ অসি পাংথোক্কদবনি হায়না টেক্নিকেল দাইরেক্টর এন তোম্বনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি। কম্পিটিসন অসিদা মিটর ১০, মিটর ২৫ অমদি মিটর ৫০ গীদা পুন্না সুটর ১১২ না অথোই–অহেন তান্নগনি। হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন অমদি মণিপুর ওলিম্পিক্স এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ইরেংবম হেমোচন্দ্র সিংহ, কে বি এস ব্রিক ফিল্ডগী প্রোপাইটর কৈশাম বিনোদকুমার সিংহ অমদি মণিপুর রাইফল এসোসিয়েসন সপাম কিষনামোহোনগী সিংহ না চিফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইখি।

# রিয়েল মার্দ্রিদনা সিবিলা থোইদুনা সুপর কপ লৌখ্রে

ত্রোদেম, আগষ্ট ১০ ঃ

নোর্ৱেগী সহর ত্রোদেমদা শান্নখিবা য়ু এ ফা সুপর কপ তাইতল মেটচ অদুদা স্পেনগী রিয়েল মার্দ্রিদনা লৈবাক অদুমক্কী অতোপ্পা ক্লব সিবিলা পাঞ্জল ৩–২ দা এক্সত্রা তাইমদা মায়থিবা পীদুনা সুপর কপ য়ু এ ফা সুপর কপ তাইতল লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সুপর কপ তাইতল মেটচ অদুদা মমাং সিজনগী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লীগকী চেম্পিয়ন ওইরিবা স্পেন রিয়েল মাদ্রিদকী দানি করবাজন্না এক্সত্রা তাইমগী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা স্পেনগী অতোপ্পা ক্লব সিবিলাবু পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীবদা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং লৌখিবনি।

মেটচ অদু সিবিলানা অপীবা মিনট ৯০ য়ৌশিল্লকপা ফাওবদা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২–১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখিবনি।

অদুবু রিয়েল মাদ্রিদকী মাইকৈদগী কেপ্টেন সর্জিও রামোসনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু এক্সত্রা তাইমদা পুরকখিবনি।

লোয়নন্না এক্সত্রা তাইমগী পুংখায় অমগী মতম লোইগদবা শুপ্নগী মিনট অমা খক ঙাইরবা মতমদা রিয়েল মার্দ্রিদকী রাইট বেক দানি করভজান্না মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা হান্না পাঞ্জল ২–২ লৈন্নরম্বা অদু ৩–২ দা থোইদুনা য়ু এ ফা সুপর কপকী তাইতল অদু লৌখিবনি।



সুপর কপ থাংগৎতুনা হরাওবা ফোংদোক্লিবা রিয়েল মাদ্রিদকী দানি

# ককচিং সুপর দিভিজন লীগ ফুটবোল

## কে পি এস সি অমদি এস এ ও মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংনা শীন্দুনা দি এস এ গ্রাউন্দ দা চত্থরক্লিবা ১৫ শুবা কে এস ঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা ১৭ অমদি ১৮ শুবা মেটচশিংদা কে পি এস সি ককচিংনা এস দব্লিউ সি ৱাইখোং গোল ৪–০ দা অমদি ১৮ শুবা মেটচতা এস এ ও ককচিংনা আই ৱাই এ গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

কে পি এস সি অমদি এস দব্লিউ সি না শান্নখিবা মেটচকী কে পি এস সি গী গোল ৪ অদু ৱাই কিষন, টি ঐচ কেনেদি, পিবোইনাও অমদি কে ঐচ রবিনা মথংশিংনা ৮, ৪১, ৬১ অমদি ৭৯ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা কে পি এস সি না গোল ১–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেটচ অদু কে ব্রোজেল , টি



ঐচ অরুনকুমার, টি ঐচ দিনেশ্বর অমদি টি ঐচ পাসুরাম্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

১৮ শুবা মেটচ ওইনা এস এ ও অমদি আই ৱাই এ না শান্নখিবা মেটচতা এস এ ও না গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

এস এ ও গী মায় পাকপগী গোল অহুম অদুদি ধনাশ্যামনা ৫৩ শুবা মিনটতা গোল অমা, জয়কিষন্না ৬১ অমদি ৭১ শুবা মিনটতা গোল অনী চনখিবনি।

মেটচ অদুগী ২৮ অমদি ৩৪ শুবা মিনটতা আই ৱাই এ গী সন্তোস অমদি এস এ ও গী জুরেনসনদা রেফরিনা য়েল্লো কার্দ অমমম পীখি।

অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা এস এ ও না গোল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

টি ঐচ পর্সুরাম, টি ঐচ দিনেশ্বর, টি ঐচ অরুনকুমার অমদি কে ব্রোজেন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

# ইনুংঙান্বী মিনি বোইজ ফুটবোল

জিরিবাম, আগষ্ট ১০ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা জিরিবাম গর্ভনামেন্ট হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা চন্দম ইনুংঙান্বী মিনি বোইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা সুপর লীগ রাউন্দগী মেটচতা পি ৱাই সি ফাইতোন্না চিকিম ৱাই সি গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। পি ৱাই সি ফাইতোন্না তোচ ঙমদুনা মাইকৈ খনখি অমদি চিকিম ৱাই সি না বোল কাওবা হৌখি। অহান্বা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা গোল অমত্তা স্কোর চন্নবা ঙম্নখিদে। হাল্ফ মতুংদা ফাইতোনগী দোনিনা ৬৬ শুবা মিনটতা গোল অমা চন্দুনা মেটচকী অহানব গোল চন্দুনা একাউন্দ হাংদোকখি। মসিগী মতুংদসু মহাক্না ৬৮ চন্বা মিনটতা গোল অমগা অমুক চন্দুনা চিকিম ৱাই সি গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। পি ৱাই সি ফাইতোনগী পাউমিন্টংদা রেফরিনা ৪৫ শুবা মিনটতা রেফরিদা উৎহৈদবা বৈহার উৎখিবদগীদমক য়েল্লো কার্দ অমা পীখি।

মথংগী সুপর লীগ রাউন্দকী মেটচতা কুকি এস সি অমদি চিকিম ৱাই সি শান্নরগনি।



# থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ

## এস এল ৱাই ও অমদি এস দব্লিউ সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন থৌবালনা শীন্দুনা আর ৱাই দি ও গ্রাউন্দ চরাংপাৎ মনিং লৈকায় প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরক্লিবা থৌবাল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এস এল ৱাই ও তেকচম অমদি এস দব্লিউ ৱাই সি চরাংপাৎ মায় পাকখ্রে। অহানবা মেটচতা শান্নখিবা গ্রুপ এ গীদা এস এল ৱাই ও না আর পি য়ু পপাল গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

এস এল ৱাই ও গী গোল ৫ অদু গুনেনা ৫৩ অমদি ৬১ শুবা মিনটতা গোল অনী , অনন্দ, মিলন অমদি রুপনা মথংশিংনা ২৭, ৫২ অমদি ৫৬ শুবা মিনটতা গোল অমমম চনখিবনি।

আর পি য়ু গী গোল অনী অদুনা অঙৌনা ৭ অমদি ৫৮ শুবা মিনটতা চনখিবনি। রোজিৎ, তুনেশ্বর, বিদ্যাশ্বর অমদি জোতিন্না মেটচ অদু কন্দক তৌখি।

৯ শুবা মেটচ ওইনা এস দব্লিউ ৱাই সি অমদি এস ৱাই দি এ অথোকপম্না শান্নখিবা মেটচতা এস দব্লিউ ৱাই সি না গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

এস দব্লিউ ৱাই সি গী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু ঐচ রঞ্জন্না ৬১ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অদু ইবোংঙো, জোতিন অমদি তুনেশ্বরনা মেটচ অদু কন্দক তৌখি। মথংগী মেটচশিং থা অসিগী ১২ দা এস ৱাই দি এ অমদি আর পি য়ু অমদি এস দব্লিউ ৱাই সি অমদি ই এল ৱাই ফৌদেল শান্নরগনি।

# এম য়ু ইন্টর কলেজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, আগষ্ট ১০ ঃ

মণিপুর কলেজনা শীন্দুনা ঙরাংদগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা চত্থরকখিবা ১১ শুবা আর কে ব্রোজেন্দ্রো সিংহ মেমোরিয়েল এম য়ু ইন্টর কলেজ মেন এন্দ ৱুমেন টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭ লোইশিনবগী থৌরম হয়েং পাংথোক্লগনি।

মেন্সকী ফাইনেলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি নাওরেম বিরহারি কলেজ শান্নরগনি।

ৱুমেনকী ফাইনেলদা মণিপুর কলেজ অমদি জি পি ৱুমেন কলেজ শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা মেন্স টিম ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংনা মণিপুর কলেজনা লিবরেল কলেজ, দি এম কলেজ ওফ আর্টনা মোইরাং কলেজ অমদি এন বি সি না কে এম সি সেট ২–০ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ৱুমেন্স টিমগী শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা জি পি ৱুমেন কলেজনা বি এম সি সেট ২–০ দা মায়থিবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখি।

মেটচশিংগী টিমগী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এম বি সি দি এম কলেজ আর্ট না সেট ২–১ দা অমদি এম য়ু ক্লাসেসনা মণিপুর কলেজ সেট ২–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখ্রে। ৱুমেন টিমগী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা মণিপুর কলেজনা দি এম কলেজ ওফ সাইন্স অমদি জি পি ৱুমেন এস কে ৱুমেন্সনা কলেজ সেট ২–০ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখি।

# এম য়ু ইন্টর কলেজ কবাদি হৌখ্রে

থৌবাল, আগষ্ট ১০ ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল কলেজনা শীন্দুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা চত্থগদবা এম য়ু ইন্টর মেন এন্দ ৱুমেন কবাদি টুর্নামেন্ট ২০১৬ হৌখ্রে।

থৌবাল কলেজদা লৈবা ইনেদার ষ্টেদিয়মদা হৌদোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা কলেজ ১০ গী নুপাগী টিম ১০ অমদি নুপীগী টিম ৭ না শরক য়ারি।

টুর্নামেন্ট হৌদোকপগী থৌরমদা থৌবাল কলেজগী প্রিন্সিপাল ও চাওবা দেবী, কলেজ অসিগী প্রোফেসর ডাঃ কে ঐচ জুগিন্দ্রো অমদি ৱাইখোম কলেজ গার্লস কলেজকী লেকচর ই মাংঙিনা অথোইবা মিন্থুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি শান্নখিবা নুপীমচাগী মেটচশিং ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজ থৌবালনা দি এম কলেজ ওফ সাইন্স পোইন্ট ৪২–৩৯ দা দি এম আর্টনা মণিপুর কলেজ পোইন্ট ৪২–৩৯ দা অমদি ময়াই লম্বী কলেজনা এস কে ৱুমেন কলেজ পোইন্ট ৬২–২৬ তা মায়থিবা পীখি। নুপামচাগী শান্নখিবা মেটচশিংনা সি ঐচ কলেজনা ইম্ফাল কজেল পোইন্ট ৫২–৪১ দা দি এম সাইন্সনা বিরমঙ্গোল কলেজ পোইন্ট ৭২–২৬ তা অমদি মণিপুর কলেজনা দি এম আর্ট পোইন্ট ৪০–২৬ দা মায়থিবা পীরগা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

